## ৱারী মচা

# রিক্সোৱালা

**ময়েংবম প্রেমচান্দ**

নুংথিল পোবোপ্নি। নুংশিৎ-নুংশা চপ লেপ্পি। নুংশাসু য়ান্না শারি। নুমীৎনা মমীৎ কোরিমুক ঙাঙনা খানা য়েংলি। চাকথেক্লগে মতাগুম মঙাল, মৈশাপূম্বা মালেমদা হৈথরি।

ইবোমচা মশাপূম্বা হুমাংতনা পূমলূপ লূপ্পী। মঙকশমদা য়েৎলিবা ফিদুনা মমায়দা চেন্থরক্লিবা হুমাং মরীক-মরীকশিংদু তৈথোক্লি। অদুদগী অমুক রিক্সো মথক্তুদা হীপথরকই। মকোক্তা উপ্লম্বা টুপীদুনা মমায় খুমজিল্লদুনা। মবুক্তা অরাম-খৌরাংবা পোক্লকই। নীংশিংলকই ঙসি নোং হেক ঙানবদগী মবুক্তা করিমত্তা তারক্ত্রি হায়বা। নহানঙৈদি সুমঙৈসিদা চা গ্লাস অমত্তা ওইরবসু মথক্লবনি। ক্ষেচ্রি অমতং চাশীল্লুরসিরা হায়না খল্লকই। কয়াবু তারবনো ঙসিগী! মপুক্লীংদা লোন্না অমুক হীসাব পারকই। হুম্ফুতরা-মরীফুরোমদি শুরম্লনি। মচাগী মিং চনবগী শেনফম'মা লাঙখৎলক্লিবসি ঙরাং নহান্দগীনি। খল্লকই, হয়েংদি মচাগী মিং চনবগী অরোয়বা নুমীৎনি। লোয়ননা নীংবা কায়রবা মচাগী শকফমদুসু উরকই।

ফনা থেঙলে ইবোমচানা ময়ূমদা হল্লকপদু। হাইরং-হাইরং মখোঙ কারন চনবমখৈ। মতৌদুদা ইবেতোম্বী শাউনীংলকই।

"করিনো তৌবিরিসিবো, অঙাংশিংসে লোইনা চাউরবনি, জ্ঞান খরদি তাবা ফরবনি।"

"ৱারক্লিবনিনে, স্বাইদা নুপী-অঙাংনা চবেঙ-চবেঙ ঙাঙনু, থোক-হেক থাজিল্লক্তনা...।

"ঐগীদমক খনবিদ্রবসু অঙাংশিংগীদি খরদি খনবিয়ু।"

চাক থাংদোরকই। শৌগ্রী মহীদুগা। ইবোমচা নোংমতা এন্সাং হাউই-হাউতে খক-হায়দে। মসিগীসু মরম লৈ। মহাক খঙঙি কদায়দগিনো অহাওবা থোংননবা।

নোংমা...

"ইঞ্জাংনেনা, মসি নৎত্রদি লৈত্রবরো, নুমীৎ চুপ্পগী মসি ঙাক্তা, কাংশোই, শৌগ্রী, য়েন্দেম, চমফুৎ...।" লেপতে মরী-মরী শমথরকই, - "মসিবু কনানা চানেনা থোংঙিনো, মসিগী শৌগ্রী পাম্বী মরী-মঙাখক হৌরিসে হেক য়াম্থৎত্রিবমখৈ....।"

"পুশিনবিরকউ , ঐখোয়সু অহাওবা থোংবা হৈখ্রজাৎনি।" ইবেতোম্বীনা কপঙাঙ-ঙাঙলকই।

শাউনীংমন্দুনা লাক্তনা লংখি লৈজবী থাদনা এন্সাং তেঙ্গোৎতু। চাকখূমমাঙদু পুমচাই-চাই। চরা অদুম হেল্লে, নুমীত্তুমা।

নুমীৎতুদগী মহাক অমুক হন্না এন্সাং হাউই-হাউতেগী ৱা অমুক পনখিদরে।

শৌগ্রী মহীদু জ্রো হৈজীল্লি। অদুদগী চখোম অমা'নীদং কীৎ-কীৎ নমশীল্লকই।

"অঙাংগী মিং চনবগী পৈশা হায়রিসে কমদৌদোইনো?"

"তোকওয়ু। কনানা পু-থাংবা ঙমপোৎ নত্তে। লাইরিক তম্লগা কৈদৌনগে হায়রিনো? তোকও-য়ু তম্লুরনু। ইবা-পাবা থোকপা ফাওবদি তমহল্লেদনা, বস, য়ারে। বি এ, এম এ ওইরগা কৈদৌনগে হায়রিনো? মাবু সার্টিফিকেট চেজেৎশিংদু কোল্লগা হিংবা য়ানেরো।"মরোল-মরী ইফাই ফাইনা হায়রকই

"কৈনো হায়বিরিদুবো, মী অঙাং তানী। ঙাওরবরা কৈনো?"

"কৈনো ঙাওবা'য়দি হা, নত্তেনে করিবু কান্নদোইনো হায়বা লাইরিক পঙতম-তম্লুরগা। মদুই শরূক গারী শেন্দ্রবা, ফি তুবরা, সনা শাবরা, সিফাই খনবরা, অমদা চঙহৌবনা হেন্না ফৈ, ঐগুন্না মীনায় ওইনা হিংদৌ শরূক।"

"ফরে, তূমিন্ন লৈবিরো। পোত্থাবিরো।"

"করিগী তুমমিন লৈবা 'য়াদি!" অমুক তপ্না- "নঙসু অমুক্তং খল্লুনে, মুন্না খল্লুনে। ঐ, ঐসে এম এনি। এম এ। করি কান্নরিবগে হা? নঙ অমুক্তং খুম্মুনে। হিংদবদি য়াদবনিনা রিক্সো থৌরি। ইমুং - মনুং পুরি। এম এ অমগী থবক রিক্সো থৌবা! রিক্সোৱালা!" নোকই। অঙাওবগুম মথন্তা হা, হা, হা। শিথ-শিথ নোকই। অদুদগী মরোল-মরি খঙদবা ৱাহৈ-ৱাতা খরা ঙাঙলম্লগা ফমুং মথক্তা লেকথখ্রে।

ইবেতোম্বী করিনুংগী হায়জরুবনো খল্লকই। অদুগা অমুকসু খল্লকই- কদায়দগী পৈশাননো মচাগী মিং চনগদবা! তুম্বা য়াদে। ৱাখল মফাং-মফাংলকই। ঙসাই চাকখূমদা চাক থোংলিঙৈদনি-

"নঙবু খরা মাঙজৌননা হায়বা য়াদ্রো?"

"মী ঙসিদা খঙলগা, ঙসাই তোন্দোননা হায়রম্বনি। মাদি চনখ্রমাল্লে। অদো ফাইন তারগদি তাং ১৫ ফাও য়াই হায়।"

"হোয় হোয়, মতমসু খরা ৱাৎলিদনা... হোরেল নপা হল্লক্লগা খন্নরসি।" মচীন্দদি খুমখি। মপুক্লীংদনা খনখি- হৌজিকপু কদায়দগীনোনে তৌগদৌরিবসে?

ইবেতোম্বী মপুক্লীংদা মঙল-মঙল খল্লি- হৌজিকপু কদায়দগী পৈশা! মপুরোইবনা নোংমগী তাল্লুরগা পুশিল্লকপা খরা অমদি মহাক্লা ফিশা-লোনশা তৌজদুনা তাঞ্জবা খরসিদি ইমুং -মনুংগী ঙাচেৎ-থুমচেৎতা হেক্তগা লোইশিনখি। করিমত্তা হেক লেমহৌদে। উতোং অহোবদা ঈশিং শোকপদুমঙাই। ওম্থোকপা য়ুম্বান হায়দুনি, নোম্বমখৈ নোম্লগা কোঞ্জেং কোকফাইগুম মনমদা মরূম থুরি।

মচাশিংগী তুংগী মরায়বক করি ওইরগদগে হায়বগীদমকসু নুংনাংবা ফাওরকই। মমা-মপাগী থীরবা মরায়বকসে হঞ্জিনহৌগদ্রা, ক্বাক্কী মচা ক্বাক, উরোক্কী মচা উরোককুম। খল্লু খল্লুরগা ইবেতোম্বী অসুম মমশীল্লকই। নোংমতা শেৎপা -চাবা মনীং থুংজদ্রবা, মমান্নবশিংগা মীমান্নবা ঙমদ্রবা মরায়বক থীরবা মচাশিংগীদমক করি তৌবিবা ঙমগদৌরি? ইবেতোম্বীগী কংলবা চায়রুংদা ফোঙ-ফোঙ শারবাপি মরীক খরা লেপ্তনা শীন্থরকই।

"রিক্সো... রিক্সো!" কৌরকই কনানো'মনা, "কৈশাম্পাৎ গারী থাফমফাওদা চৎসি য়াগদ্রা?"

"য়ানি কাখৎপিরকউ।"

ফুক হৌগৎতুনা রিক্সোগী সিটতু কম্থোকই। অদুদগী রিক্সোদু তপ্না তপ্না থৌরকই।

## তাবুনুংদগী

*( কবি লাইশ্রম সমরেন্দ্রগী শৈরেংগী লাইরিক "খুন অমগী ৱারী" ১৯৮৫ দা ফোংখি। লাইরিক অদুদা য়াওবা " বেইবিলেগু" কৌবা শৈরেং অমা ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি)*

### বেইবিলেগু

অঙাংগী লৈবাক্তা
অঙাং ঙাক্তনি পূন্নমক
পূক্নীংসু ৱাখলসু লৌশিংসু অঙাংনি।

অঙাংগী লৈবাক্কী উনা শাবা তোটি
ঈশিং তাদে
অঙাংগী লৈবাক্কী উনা শাবা ইলেক্ট্রিক
মৈ ঙান্দে

মকোক্তা গুলেন্না পাল্লি অহল অমখক
অঙাংনা তৌবা নোকলুবদা
অঙাংগা মান্নরবদা
অঙাংদা অশেংবা হায়রুবদা।

## মণিপুরী পাম্থৈ -পাউৱৌ, পাউতাক

**৩০৪ অপেনবদগী হেনবা লন লৈতে।**
– পেম্থোকপা হৈবনা অথোইবা লন্নি।

**৩০৫ অপোক-অশা থাবা (খুরুম্বা)**
– শাগৈগী লাই ইরাৎচবা থৌনিজবা।

**৩০৬ অপোকপা খুরুম্বা**
– শাগৈগী লাই খুরুম্বা।

**৩০৭ অপোকপা-অপোকপী**
– লাইনিংথৌ লাইরেম্বী (ইমা-ইপা)।

**৩০৮ অপোম্বা লৈগী শাৎচনবা মতম লৈ, কেন্নবসু মতম মানা শিল্লি।**
–মফম মতন্না পিরকপা ফল।

**৩০৯ অফবগী মতৌ তম্মু ফত্তবগী মতুং ইল্লুনু।**
– ফত্তবা থাদোক্লগা অফবা মীগা লোয়নবনা কান্নবা ওইজবা ফঙই।

**৩১০ অফ-নুংঙাই মায়োক্লবা**
– তৌরুবা খুদিং অফবা ওইবা।

**৩১১ অফ-ফত্তগী দায়িত্ব ওইবা**
– ফরবসু ফত্রবসু মশানা য়াজরবা।

**খোমজিনবা**
**ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন**

## লাইরিক্কী উন্নবা

লাইরিক ঃ ইমৈ নত্তে তৌরানি
(শৈরেং, ২০১৪)
অইবাঃ জাতিশ্বর তোংব্রম
অফোঙবাঃ মণিপুরী সহিত্য পরিষদ, বিষ্ণুপুর মশা
মমলঃ লুপা ১৫৫/- (মখূম অপাবা), ১৯৫/- (মখূম অথাবা)

জতিশ্বর তোংব্রমগী শৈরেং লাইরিকসি সোরোকখাইবম পেন্টিং শ্রগু প্রিন্টিং ৱাক্স, বিষ্ণুপুর ফোরেষ্ট গেটতা অহানবা ওইনা নম্লগা পুথোকপনি। লামায় ১০২ পানবা লাইরিকসিগী মখূন্না দেবকুমার লাইশ্রন্না শেম-শাবনি। মহাক্কী শৈরেং লাইরিকসিদা অতেনবা অমদি ফনা শাংবা শৈরেংশিং য়াওরি। শৈরেং ৬৬ য়াওবা শৈরেং লাইরিকসিদা মতমসিগী সমাজগী পুন্সিবু মওং কয়াদা পুথোক্তুনা উৎনবা হোৎনৈ। মায়থোঙ য়াম্বা মীওইবগী লোনচৎপু কবিনা উৎনবা তত্তনা হোৎনৈ। 'তাইবগী ৱারোল'দা কবিনা ইরি- "মতমগী নোংলৈসিনা খুন্নাইগী লোনচৎশিংসিনা ঐগী পূক্নিংবু মরোল থোকহল্লি। য়েংদুনা তাদুনা খাঙদুনা লৈবা ঙম্লক্তে। ঐদি মীচন্নি, চেন্থরিবা ঈচেলসিদগী নাথৈদুনা অনৌবা মঙাল অমা শেমজবসু ঙমদে। ঈচেলসিদা কাওশীং ওইনা পূক্নিংদা হৌরকপা ইপোমশিংদু পাউদমজবনি অৱাবগী শাওনিংবগী অমদি নোক্লিংবগী। কপ্নিংলকপসু য়াওই করিগুম্বদনা। অসুন্না মখল-মথেলগী শৈরেংশিং মিতম্লকখি, ইপান থানিংলকখি, মীমাঙদা উৎনীংলকখি অশেংবা শৈরেং ওইরবসু ওইদ্রবসু। "ইমৈ নত্তে তৌরানি হায়বা শৈরেং লাইরিকসিদা হৌজিক্কী শক্লোন য়াম্লবা অশেংবা অওইবা হায়বদু করিনো তাংদাংবা লেপ্পা ঙমশিল্লক্তব্রা সমাজগী পুন্সিগী মশক অমা অইবনা নীংথিজনা পোইটিক ওইবা মওং অমদা ফোঙদোক্লবা লাক্লরি /"মকোক মমায়দি লোৎলগা / মমৈদি মীমাঙ থোক্লগা-শগুন তৌবা শায়ামশিং / শফোঙহনগে তেমশিংবগা / লাউনরকই হেক্তুমক / 'ইমৈ নত্তে তৌররনি / ইমৈ নত্তে তৌরানি'। ফুংনাক ৱারীদা য়াওবা ইল্যুজন অমবু কবিনা শৈরেংসিদা শাফূ কনবা মফোঙদোক অমদা উৎলি। কবিনা সমাজ অসিবু য়ান্নমক রিএলিষ্টিক ওইনা য়েংই। সমাজসিগী মায়কৈ পূম্বদা লৌনম – নমথাক, তৌশিন্নবা, মীগী মমল খঙনদবা, অমনা ঙাংবা অমনা তান্নদবা, মশাগী অ হং অমমমনা হুমদুনা চৎনরকপা, ময়ামসিনা মীওইবগী মমল মাঙহল্লে হায়বগী নিংদোল পোম্বা উৎলি। সমাজসিদা হিংলিবা তাইবঙপানবসিদা খ্বাইদগী অথোইবা জীবনি হায়রিবা মীওইবসি ঙসিগীদি কবিগী পোইটিক ডিজন্দা শরোই-ঙারোই ওইনা ফাওরকই। অর্থ থোক্তবা, অয়েৎ অপন্দা পীনবা হোৎনরিবা শরোই ঙারোইশিংবু কবিনা মহাক্কী কপ্লনাদা মতৎ-মতৎ কক্তুনা হাৎলি। অককপা মকোকশিংগী মরক্তা পোইট পর্সনানা মহাক্কী মকোকসু য়াওরম্বা থেংনবদা অঙকপা ফাওই। মতাংসিদা অইবা হায়বসি সমাজ অসিগী ওবজাভর অমগুন্না মীওইবা সমাজনা তোখাইনা খাইদোক্তুনা থম্লগা মহাক্লা অফবা, অচুম্বা ওইনা লৌরগা সমাজসিনা মদুগী মায়োক্তা লৈবা ফত্তবা চুমদবা ওইনা য়েংদে। মীওইবা সমাজগী অফ-ফত্ত অনীমক্তা মহাক-মশাসু য়াওরি হায়বসি খক কাওথোক্তে। মসিমক্তি হেন্না সমাজগা নকশিনবা মীৎয়েং অমনি। কবিনা মীওইবনা শা-ঙাদগী হেন্না মপূকচেল পীকশিল্লক্তুনা খৎনা-চৈনবা, নুংশিনদবা, হাৎনা -শুনবা মতৌবু উরুরগা শা-ঙানা নুংশি খঙবা পূকচেল চেল্লি হায়না করিগুম্বদা হায়নীংলকই। মীওইবনা মপাম্থোংদনা অচুম্বা অশেংবা তৌবা শারগা মনুংদনা মপূকচেল শেংদবা লৌনম-নমথাক তৌবা মতৌবু কবিনা ৱাহৈ খরদনা ফোঙদোকই 'মী লাই অমদি শা' কৌবা শৈরেংদা -"মীগী মায়থোঙদা তুলশি ঙাক্তা- মনীং থোঙদনা লুখাক্লোম ঙাক্তা, - গোবিন্দগী লাইশঙ মনীং থোঙ পান্দে। মসর্জিদসু গির্জাসু মনুংদা ঙাল্লি, - কৈগী মকোক্তা নাচোম চিন্দে। গুম্ভীরগী মমায়দা চন্দন থিন্দে।" মায়থোঙগা থম্মোয়গা তিন্নদবা, মনুং-মপান য়ান্না নাইবা, ফিদমগা লমচৎকা শন্নবা লৈতবা মীওই লীচৎপু য়ানিংদবা উৎপনি। কবি জাতিশ্বর শৌবাম শৈরেংগী লমদা ময়েপাক্লা চঙশিল্লক্লিবা কবি অমনি।

**আর জে মীতৈ**

## শৈরেং

### ৱায়েন

*রাজকৱর*

ঈশিংনা কল্লি, নূংনা থোৎলি
ঈশিংনা নুংবু ফাওগে হোৎনখি,
নূংগী ফক্লাংসে কলহনগে খল্লবা
তঙায় ফদবনি মখূল অমদি হূৎপাঃ
অসুন্না লৈরম্মী অহোবা,
ঈশিংনা ফাওনবা অকনবা নুংগী ফক্লাংনি,
ঈশিংগী হকচাংনি থোৎলবা।

### মরম

*রোশন থোকচোম*

পেন্দবা অমা লোইখিনি
লাক্কনি হেন্না পেন্দবা অমা
অসুন্না হিংলি মীওইবা ঐখোয়
পেন্দবগী নাউশুম থক্তা হিপ্তুনা।

চন্না খন্দুনা লোয়নরুই চন্না
লৈরমদবনা অচুম্বা লম্বী
তম্বীরে ঐবু শাউবা
মরমসিদগীনি ওইরক্লিবসু ফত্তবা মী।

### পুন্সি

*আরকে বিমোল*

হৌখ্র পুন্সি ৱারী কয়া
মাঙখ্রে নীংশিংলুবদা
কনানা খঙবা ঙমগনি।
ইশম শন্নবগুম তৌরি
অমগা অমগা
মসিনি হেঞ্জন্না লুরীবা।

অহৌবসে অরোয়বনি
খঙউদা পংচৎ চৎখি
কনাশু তাকথোক্ত তুমিন।
লাকপা য়ায় মচীন তুম্বা
মশা মরেং শল্লিবা
পুন্সীনা হঞ্জিন।
হায়নীংই মসিমসু
নঙগী তমথিবা লীচৎ
কনাশু খাঙবা ঙম্মোই।

### কনা কনা হায়রিবনোনে

*কে হরিদাস মৈতৈ*

ঐখোয় পূন্নমক ইচিন ইনাওনি
ঐখোয় অমত্তনি কনানা হায়?
ঐখোয়গী অলটরনেটব এরেঞ্জমেন্ট
ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংগী হিষ্ট্রি
ঐখোয়না ঙাক্কনি কনানা হায়?
সাউঠ নাগালেণ্ড, গ্রেটর নাগালেণ্ড
হোমলেণ্ড ডিমান্দ কনানা হায়?
ডুপ্লিকেট হিষ্ট্রি, ডুপ্লিকেট ধর্ম্মা
ডুপ্লিকেট য়েল্হৌমী, কদায়দা ফংই?
খ্বাইদগী শাংবা ইকোনোমিক ব্লোকেদ
মালেমসিগী করম্বা ষ্টেটতা ফংবগে?
চহী মঙা লৈঙাক্কী থবকশিং
থা তরামঙাদা লোইনা পাংথোক্লে
সরকারদা পায়হল্লু কনানা হায়?
টেন পার্সেন্ট লৈঙাক কনানা
করিগী হায়রিবা?

### পাপ

*তোলচৌ শমজেৎশাবম*

মীওইবনা মপান ফরিঙৈ,
ফীরাল মমায়না চুল্লিঙৈ,
শেম্থোক মমায়না চুল্লিঙৈ,
হিংন মচাক্লা শুরিঙৈ,
ঐগী মীচঙ ৱাৎত্রিঙৈ,
পাপকী ৱাহৈ পন্নদে
পাপকী ৱাসু খল্লুদে।
পুন্সিনা মরায় চায়থরক,
শেম্থোক লম্বীনা তৎশীল্লক,
হকচাংনা পাঙ্গল শেঞ্জীল্লক,
ইমুং ইশৌ লাংশিল্লক,
হায়না-তান ইল্লক্ত,
পাপকী ৱাহৈ তোয়রক্লে
পাপ, পাপী পাপচেনবা।
অসিরা পাপ হায়বদু।

### নম্বো অমা

*রনবীর সারুংবা*

লৈবাকসিদা লৈরিবা
নমথিবনা লৈবা ঙন্নদ্রবা
অপুম-অশা পূন্নমক
মফি নীংথিনা শেৎত্রবা
চৈশু শুদুনা খাঙখিবা
মরু কোকপা
মহাক্কী মথক্তা
লেন অমুক তানবা
থাঙ্গৎপা ঙমদবমখৈ
নমদুনা থোনগৎপী
মপী-মপানি হায়জিনবিদুনা।
অদুবু অৱাবনি,
অরুম্বা খূদিংমক
মথন্তা পুবা ঙমদ্রদুনা
উরু-উরু লৈরকই
মকোক ঙাওরদুনা চৎপা ঙমদ্রদুনা
অচম্বা মীচমগী মথক্তা
খংথা থাধরকই।

### নখোয়গী খনবদা ইমা ঙাওরেনে

***করাম চাউবা মৈতৈ***

থৌনা ফবা শাবা ইমাগী পারি ইমোমসা
কুবের শাগৈ লুহুপ উপ্পদা ঙাওজবশা
নপাম লমদমদি মীগী ওইখিদৌরেনে
অশেম্বা, অশাবা পুৱা ৱারীশিংবু
মীগী মরোল ৱাইদুনা ইশিনখ্রেনে
মীতোপ লাইনিং ধর্ম্মদা ওনশিনখ্রে ।
ইকায়বা খঙদবা মীয়াম মীতোপ্পা
নিংথৌ ফম্বাল কাদুনা লৈখ্রে
নখোয় পোক্লুবগী মহৈনা ঙসিদি
খোঙদাফম লৈরক্তরে মীতোপ্পা থল্লে
মীতোপশিংবু হৌমিন কামিন্নরকপগুম্না
লেপ্লিনে ঙসিসু মখোয়গীদমক নখোয়না।
শকখিবা ৱাশক ঙাকপা ঙমদবনা
নিংথৌ ফম্বালসু মীতোপ্পা ওইখ্রনি
কনবা ঙম্লরোই নরমদম প্রজাশিংবু
মীতোপশিংগী চিরোল দিমান্দ পরেং
হুক্লনি তারক্লবনি লোইবা নাইদনা
মপা মপু খঙদবশিং মনিং তম্লনিদো।
কুম্মৈ য়েংলিঙৈ খুনু কারেদো
মীতোপশিংবু থাজবা লৈরিমখৈদি
মাঙখ্রগনিয়ে মুৎখ্রগনিয়ে পোক্লফম লমদমসে
নহাকথক্তা অমুক্তদি কল্লম্নবা থৌদাং
পুথোক্লককউদা পেঞ্জগে নমা ঐহাকসু।

### খন্দুনা লৈরগুমসি

***তোংব্রম শামুঙৌ***

কংলৈ লমদমসিগী ঈরৈচাশিং
নুংশিরবা কংলৈ খুন্নাইচাশিং
ঐখোয় তম্লসি হৈননবা
খঙমিন্নসি পুন্না ঐখোয়।
পূক্লিংদা ৱাখলদা খনবনা
ঙসি হয়েং হৌখিবা
মাঙজবতনি কংলৈ খুন্নাইসিগী
লেঙফদ্রবা কংলৈ ঈয়েক
মাঙহনফদ্রবা খুন্নাইসিগী লোনয়েক।
হৈগে খল্লি, তমগে নীংলি
খল্লিবা ৱাখলদা নত্তবা
হৈতবা য়াদে, খঙদবা য়াদে খল্লবা
নুং-পান অনী তুনা
লুদবনি করিসু লায়বনি
লায়থোক্লবু খল্লবদি পূন্নমক,
লুদ লুশিন্নবু খল্লবা
লুদবা লৈতবনি পূন্নমক
করিসু তৌবা ঙমদবনি।
ঙসি ঙরাংগী খোঙচৎনা
চৎখ্রবসু ইমাঙদা খঙহৌদনা
হয়েংগীদমক খন্দুনা ঐখোয়
হৈমিন্নরসি, খঙমিন্নরসি
খঙদবা, হৈতবা য়াদ্রবা
কংলৈ খুন্নাইসিগী ঈয়েক
কংলৈ খুন্নাইসিগী লোনয়েক।

### লীক্লি

***রনবির সারুংবা***

লীক্লি মনুংদা
মনুংদা য়াওরিবদু করিনো?
কনানা হায়
অকনবা থম্মোয়নি।
লান্নি।
নুংনি।
নুংথংনি।
পুন্সি অমসুং
থৱায় (পারু) কায়নবগী
মৈচাক্লা য়োম্লবা থম্মোয় অমা
মখুম চেৎনা খুম্লদুনা য়োক্লি।
অমুক হন্না থোক্লকপা য়াদনবা ফারি।